# কংগ্রেস ৱার্কর ৩ গী য়ুমদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে

# কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়ু জি ২ কাপ্পুনা হাৎখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জনুৱারী ১২ঃ* লালহৌ লূপশিংগী অপুনবা কোর-কোমনা কংগ্রেস পার্টিগী মথক্তা থল্লকখিবা অথিংবা অমসুং পার্টি অসিদগী লাপথোক্লবা চেকশিন ৱাফম থমখিবগা লোয়ননা লেপ্পুনা চত্থরক্লিবা এটেককী মনুং চন্না ঙরাং নুমিদাং অথেংবদগী ঙসি ফাওবগী মনুংদনা কংগ্রেস ৱার্কর অহুমগী ময়ুমদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে, ৱার্কর খরগী ময়ুমদা লংশিল্লম্বা বোমশিংনা পোকখায়হৌদবদগী পুলিসনা লৌখৎখ্রে।

মরকসিদা কম্মান্দো অমদি সিখ রেজিমেন্টকী কম্বাইন্দ সিক্যুরিতি ফোর্সনা বোমগী এটেক মরক্তা মরক্তা লালহৌবনি হায়বা মীওই অনি কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

লালহৌবনি হায়বা মীওই অনি কাপ্পুনা হাৎখিবগী থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৭:১৫ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তাওবুংখোকতগী য়ুরেম্বম তাবা লম্বীদগী মফম অমদা থোকখিবনি।

পুলিসকী পাউনা হায়, কোর কোমনা জনুৱারী ২৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সন-২০১২ অসিদা চত্থরক্লিবা এটেকশিং অসি থিংনবগীদমক লৌখৎলক্লিবা চেকশিন-থৌরাংগী মনুংদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো, ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি ১৮-সিখ রেজিমেন্টকী কম্বাইন্দ ফোর্সকা নোংমৈ কাপ্নখিবা অদুদা খূৎলায় পায়বা মীওই অনি অদু মফম অদুমক্তদা শিখিবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবশিং অদুদগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ য়াওরিবা মেগজিনগা লোয়নরিবা ৯-এম এমগী পিস্তোল অনিগী মথক্তা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেড অহুম ফংবা ঙমখি হায়রি।

কম্বাইন্দ ফোর্সকী মখুৎতা লৈখিদ্রবা অশিবা হকচাং অনিমক পাৎশোই পুলিসনা থৌদোক থোকফমদগী লৌখৎলগা রিমসকী মীরেল-শঙদা থমখ্রে। প্রেসনা ফংবা পাউগী লিখুন অমগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অনি অদু কে সি পি গ্রুপ অমগী কাডর ওইরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ হায়রি।

পনবা য়াবদি, চহী অসিগী ওইনা সিক্যুরিতি ফোর্সনা খূৎলায় পায়বা লালহৌবা হাৎপগী থৌদোক অসি ঙসিগী অসিনা অনিশুবনি। অহানবা থৌদোক্তা ২২- গ্রিনেডিয়ার্সনা ঙমখৈদা হাৎখিবা অদুদি ঙসি ফাওবা মশক-মমিং খঙবা ঙমদনা মীরেল-শঙ অসিদা লৈরিবনি।

কোর-কোমনা কংগ্রেসকী মথক্তা চত্থরক্লিবা বোমগী এটেকশিংগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, ঙরাং নুমিদাং পুং ১১:৩৫ রোম তাবদা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক কেন্দ্রগী মনুং চনবা সঙ্গাইয়ুম্ফম চেরাপুর মথক লৈকায়দা লৈবা এমদি অব্দুল কলাম অজাদ (৫৫) গী ময়ুমদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে।

মহাক কেন্দ্র অসিদা কংগ্রেস মীরেপ ওইরিবী চিফ মিনিষ্টরগী লোয়নবী ও লন্ধোনী দেবীগী হার্ড ৱার্করনি। অদুমকপু থৌদোক অদুদা অশোক-অপন অমত্তা য়াওহৌদ্রে হায়রি।

ঙসি নুমিদাং পুং ৬:১৫ রোম তারকদা ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই কেন্দ্রগী মনুং চনবা তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা অয়েকপম জয়চন্দ্র (৪৫) গী ময়ুমদসু বোম অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে, অশোক- অপনদি য়াওহৌদ্রে। মহাক কেন্দ্র অসিগী কংগ্রেস মীরেপ একে মীরাবাই দেবীগী হার্ড ৱার্করনি হায়রি।

মতম অসিমক্তা ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী লংথবাল কেন্দ্রগী মনুং চনবা চজিং চীংখোংদা লৈবা নিংথৌজম অঙৌগী ময়ুমদসু বোম অনি অমুক্তদা লংশিল্লম্বদা অমা পোকখায়রগা অমা পোকখায় খিদ্রে। মহাক কংগ্রেস মীরেপ ৱাইখোম শ্যামা দেবীগী হার্ড ৱার্করনি। পোকখায়হৌদ্রবা গ্রেনেড অদু পুলিসনা লৌখৎখ্রে । পনবা য়াবদি মীরেপ ওইরিবী শ্যামাগী ময়ুমদসু নোংমৈ কাপশিন্দুনা এটেক তৌরম্বা লৈখ্রবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কৈরাও কেন্দ্রগী মনুং চনবা ক্যামগৈ লৈরক ৱাংমদা লৈবা থোকচোম অরুন (৩৮) গী ময়ুমগী থোঙ্গালদা ঙসি অয়ুক পুং ৭:৩০ রোম তারকদা পোকখায়দবা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেড অমা তারগা লৈরম্বগী পুলিসনা লৌখৎলগা পোকখায়হন্দুনা মাংহনখ্রে। মহাক কংগ্রেস মীরেপ ওইরিবা মিনিষ্টর এমদি অলাউদ্দিন খানগী হার্ড ৱার্করনি হায়রি।

অমরোমদনা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০:৩০ রোম তারকপদা খোংমন জোন-৪ দা লৈবা খোংমন ডিভলপমেন্ট কম্মিতিগী ওফিসতসু বোলেরো অমদা লাকখিবা মীওই খরনা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেড অমা লংশিল্লম্বদগী পুলিসনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

কম্মিতি অসিগী ওফিস অসি নিঙোম্বম ইনাওবী (৮৫) গী য়ুমগা শম্ননা শাবনি। থৌদোক অসিবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা ঙসি মফম অদুগী মৈরা পায়বীশিংনা ধরনা চত্খ্রে। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা মখা চত্থদনবা মরী লৈনবশিংদা অপিল তৌরক্লি।